# মণিপুরনা গোল্ড মেদল ৬ য়াওনা পুন্না মেদল ১১ লৌরগা লমদমসিগী মীংচৎ পুরকপা ঙমখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ১৯ (ঐচ এন এস):** নাগালেন্দনা য়ুম্মু ওইরগা পাঙথোকখিবা ৭ লকশুবা নোর্থ ইষ্ট পেনকাক সিলাট চেম্পিয়ন্সিপ ২০২৫দা শরুক য়াখিবা মণিপুরগী টিমনা গোল্ড মেদল ৬ য়াওনা পুন্না মেদল ১১ লৌরগা লমদমসিগী মীংচৎ পুরকপা ঙমখ্রে।

চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা শরুক য়াখিবা মণিপুর টিমগী শান্নরোয়শিং অমদি ওফিসলশিংনা ঙসি ইম্ফাল এয়রপোর্টতা থুংলবদা মীয়াম্না হরাও তরাম্না ওক্তুনা পুক্লিং থৌগৎখ্রে। ইন্দিয়ান পেনকাক সিলাট ফেদরেশন অমদি নোর্থ ইষ্ট পেনকাক সিলাট ফেদরেশন অনীগী মীৎয়েং মখাদা নাগালেন্দ পেনকাক সিলাট এসোসিএশননা শীন্দুনা দিমাপুরগী ময়িরো পার্ক য়ু এন বি-বি, বর্ম্মা কেম্পতা থা অসিগী ১৫ অমসুং ১৬ ফাওবা নুমিৎ নীনি চুপ্পা চথখিবা নোর্থ ইষ্ট ষ্টেটশিং অমদি অসাম রাইফলগী টিম অমা য়াওরগা পুন্না টিম ৮না শরুক য়াদুনা পাঙথোকখিবা ৭লক শুবা নোর্থ ইষ্ট পেনকাক সিলাট চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা মণিপুরনা গোল্ড মেদল ৬, সিলভর মেদল ৩ , ব্রোঞ্জ মেদল ২ পুন্না মেদল ১১ লৌবা ঙমখিবনি।

চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা সলাম কিংসন লুৱাংনা কেজি ৩৬-৩৮গী সেমি আর্টিষ্টিটিক প্রি-টিন বোইজগী তুংগল অমদি টেন্দিং ইভেন্টতা গোল্ড মেদল অমমম লৌবা ঙমখি।




অসিম কোরিনা কেজি ৪৬-৪৮কী প্রি-টিন বোইজগী টেন্দিং ইভেন্টতা গোল্ড মেদল অমা লৌবা ঙমখি। ৱাঞ্খেম মালেমঙানবনা কেজি ৪২-৪৮গী প্রি জুনিয়র বোইজগী টেন্দিং ইভেন্টতা গোল্ড মেদল অমা লৌবা ঙমখি। নাওরেম তোমথিনঙানবনা কেজি ৫২-৫৪গী প্রি জুনিয়র বোইজ টেন্দিং ইভেন্টতা গোল্ড মেদল অমা লৌবা ঙমখি। মাইবম রোজিৎনা কেজি ৫৫-৫৮গী জুনিয়র মেল টেন্দিং ইভেন্টতা গোল্ড মেদল অমা, তখেল্লম্বম নেত্রজিৎ মৈতৈনা কেজি ৬০-৬৫গী সিনিয়র মেল টেন্দিং ইভেন্টতা গোল্ড মেদল অমা লৌবা ঙমখি। কে ঐচ ফিজানা কেজি ৪৫-৫০গী সিনিয়র ফিমেল টেন্দিং ইভেন্টতা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখি। সিনাম অমরজিৎনা কেজি ৫৫-৬০গী সিনিয়র মেল টেন্দিং ইভেন্টতা সিলভর মেদল অদুগা ক্ষেত্রিময়ুম জেক্সননা কেজি ৭০-৭৫গী সিনিয়র মেল টেন্দিং ইভেন্টতা সিলভর মেদল লৌবা ঙমখি। চিরঞ্জিৎ নিংথৌজমনা কেজি ৪৭-৫২গী জুনিয়র মেল টেন্দিং ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল অমা অদুগা লৌক্রাকপম মনিথোইবনা কেজি ৫১-৫৫গী জুনিয়র বোইজ টেন্দিং ইভেন্টতা ব্রোঞ্জ মেদল অমা লৌবা ঙমখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা নৱাং ঙাঙোমনা মণিপুরগী টিমগী কোচ ওইনা লুচিংখিবগা লোয়ননা রেফরি ওইনা শরুক য়াখিবা সিনাম জিবন মৈতৈদা বেষ্ট মেল রেফরিগী এৱার্দসু পীরকখি।

চেম্পিয়ন্সিপ অদুদা শরুক য়ারুবা মণিপুর টিমবু মখা তানা ঙসি ইম্ফাল ইন্টরনেশনল এয়রপোর্টতা পেনকাক সিলাট এসোসিএশন ওফ মণিপুরনা শীন্দুন হরাও তয়াম্না ওকখিবগা লোয়ননা মণিপুর টিমনা চাওনা মায় পাক্লকপদা পেনকাক সিলাট এসোসিএশন ওফ মণিপুরগী মায়কৈদগী হরাও-নুংঙাইবা অমদি থাগৎপা ফোঙদোরক্লি।

এসোসিএশন অসিনা ফোঙদোকখিবদা মণিপুরগী টিমনা চেম্পিয়ন্সিপ অসিদা মায় পাক্লা শরুক য়াদুনা মেদল কয়া লৌরকখিবা অসিমক ঐখোয় খুদিংমক্কী ওইনদি য়াম্না চাওথোকচনিংঙাইনি হায়খি।

# রিষ্ট রেষ্টলিংদা গোল্ড মেদল অনী লৌদুনা লৈবাকসিগী মীংচৎ পুরকখ্রবী সোরাম রানী মীয়াম্না তরাম্না ওকখ্রে

**ইম্ফাল, জুলাই ১৯ (ঐচ এন এস):** য়ু এস এগী বর্মিংহম অলাবমাদা পাঙথোকখিবা রিষ্ট রেষ্টলিং (আর্ম রেষ্টলিং) ৱর্ল্ড পুলিস এন্দ ফয়ার গেমস ২০২৫দা ইন্দিয়াগী মহুৎ শীন্দুনা গোল্ড মেদল অনী লৌদুনা লৈবাকসিগী মীংচৎ পুরকখ্রবী সোরাম রানী ঙসি মীয়াম্না তরাম্না ওক্তুনা পুক্লিং থৌগৎখ্রে।

চহী অসিগী জুন ২৭তগী হৌরগা থা অসিগী ৭ ফাওবা পাঙথোকখিবা গেমস অসিদা সোরাম রানীনা য়েৎ অমসুং ওই অনীগী আর্ম রেষ্টলিং ইভেন্টশিংদা চাওনা মায় পাক্তুনা গোল্ড মেদল লৌবা ঙমখিবনি। লমদম অসিগীতা নত্তনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকপা ঙল্লকখ্রবী সোরাম রানীনা ঙসি বিরটিকেন্দ্রজিৎ ইন্টরনেশনল এয়রপোর্টতা থুংলবদা মীয়াম্না লৈ পরেং হুক্তুনা পুক্লিং থৌগৎখি। শান্নরোয় অদুবু তরাম্না ওকপগী থৌরমগা মরী লৈননা কুম্বী এস সীগী এম এল এ প্রেমচন্দ্রনা ফোঙদোকখিবদা রানীনা চাওনা মায় পাক্লকখিবা অসিগী মতুংইন্না মহাক্কী সার্ভিসতা অহেনবা করি তৌবা য়াবগে হায়বদু মরী লৈনবশিংদা তান্নরগনি।



রানীনা স্পোর্টসকী লমদা কখোকপগা লোয়ননা হোৎনদুনা লৌরকখিবা মীংচৎ অসিনা হৌরক্লিবা শান্নরোয়শিংদসু চাওনা ইথিল পীবা ঙল্লগনি হায়খি।

অমরোমদা, পাউমীশিংনা হংখিবা ৱাহংগী পাউখুম পীরদুনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকখ্রবী সোরাম রানীনা হায়, পাঙথোকখিবা গেমস অদুদা মহাক্না গোল্ড মেদল অনী লৌবা ঙল্লকখিবা অদুগী ক্রেদিটতি হেক হৌবদগীনা ঙসি ফাওবদা মহাকপু তাকপী তম্বীরকখিবা ওজশিং অমদি সিনিয়র প্লেয়রশিংদা পীনিংই । মরমদি মখোয়গী মতেং য়াওদনা ঙসি মহাক্না ফীভম অসি য়ৌবা ঙল্লোই।

তুংদা হৌগৎলক্লিবা শান্নরোয়শিংনা থৱায় য়াওনা অমদি নীংহন্নবা লৈতনা মণিপুর ইমা লৈবাক্কীদমক মীংচৎ পুরক্তবা য়াদে খল্লগা শান্নরবদি নোংমদি শোয়দনা লৈবাক অসিগী অমদি মালেমগী থাক্তা পাঙথোকপা অথোই-অহেন চাংদম্নবা কয়াদা চাওনা মায় পাকপা শান্নরোয় অমা ওইবা ঙমগনি হায়খি।

গোল্ড মেদল অনী লৌদুনা লমদম অসিগীতা নত্তনা লৈবাক অসিগী মীংচৎ পুরকখ্রবী সোরাম রানীবু মখা তানা বিষ্ণুপুর দিষ্ট্রিক্টকী মনুং চন্না লৈবা ৱাপোকপী এথলেটিক রুরল দিভেলপমেন্ট ক্লব (ৱার্দ) ইথাই ৱাপোকপীনা শীন্দুনা হরাও তরাম্না ওক্তুনা অচম্বা খুদোলপোৎশিং পীদুনা পুক্লিং থৌগৎখি।

পনবা য়াবদি, সোরাম রানী ইথাই ৱাপোকপীদা লৈবা সোরাম লালমনি অমদি লৈখিদ্রবী সোরাম মেম্মা অনীগী মচানুপীনি।

# জোতিন লৈখিদবদা আই দব্লিয়ু দি এফ এগী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি

**ইম্ফাল, জুলাই ১৯ (ঐচ এন এস):** শান্ন-খোৎনবগী লমদা থৱায় য়াওজরকপা অমদি মশান্না কয়াশিং মরুওইনা ফুটবোল মশান্নবু অৱাংবা থাক্তা পুখৎনবা হোৎনবদা অচৌবা থৌদাং লৌরমখিবা বাচস্পটিময়ুম জোতিননা থা অসিগী ১৬তা মশাগী ময়ুমদা খঙহৌদনা লৈখিদবদা ইম্ফাল ৱেষ্ট দিষ্ট্রিক্ট ফুটবোল এসোসিএশন (আই দব্লিয়ু দি এফ এ)গী মায়কৈদগী অৱাবা ফোঙদোরক্লি।




হীরম অসিগা মরী লৈননা এসোসিএশন অসিগী জেনরেল সেক্রেটরিনা থাদোরকপা চেরোল অমনা হায়, লৈখিদ্রবা জোতিন আই দব্লিয়ু দি এফ এগী মতম শাংনা থৌ পুরম্বা মীওই অমনি।

মহাক লৈখিদবা অদুগা মরী লৈননা ঙরাং নুংথিল এসোসিএশনগী ওফিসতা অৱাবা ফোঙদোক্তুনা মীফম অমা পাঙথোকখিবগা লোয়ননা লৈখিদ্রবগী মফমদা ইকায় খুম্নবা উৎপা ওইনা মিনট অনী তুমীন্না লেপখি হায়রি।




## HUEIYEN LANPAO DAILY CHESS PUZZLE



**PUZZLE NO. 1539**

**Elmir Gulamov (1765) - Paul Briese (1665)**
**ODJM B 2025 Willingen GER (7), 2025.06.12**

1.e4 c6 2.d4 d5 3.exd5 cxd5 4.Bd3 Nc6 5.c3 g6
6.Bf4 Bg7 7.Nd2 Nh6 8.Ngf3 Bf5 9.Bxh6 Bxh6 10.Bxf5 gxf5
11.Qe2 e6 12.Nb3 Rg8 13.O-O Bf4 14.Nc5 Qe7 15.Qb5 O-O-O
16.Kh1 Bd6 17.b4 Rg4 18.a4 Rdg8 19.Rg1 Bxc5 20.bxc5 Qc7
21.Rab1 h5 22.c4...

**QUESTION :** Black to win

**Puzzle 1538 Solution :**

**15. Qxb6+** Opening the line from a6 to a7. **axb6 16.a7#** David and Goliath mate
**1-0**




Title : Little Girl
By : Thoinao Thokchom
Class : V Roll No. : 1 Sec :
School : Laishram Mani Kongba School



Title : Scenary
By : Safiya
Class : III Roll No. : 3 Sec :
School : Haoreibi Awang Leikai, Tera Makhong UPS



Title : Raksha Bandhan Full Moon Scenery
By : Sillory Nongmaithem
Class : B Roll No. : 10 Sec :
School : Kendriya Vidyala No. 1 Lamphelpat




Title : My Sweet Home
By : Mangal Tensubam
Class : KG Roll No. : 2 Sec : A
School : The Poiroukhongjin Govt. High School, Kaina Road




Title : Keimi
By : Tensubam Jotison Singh
Class : IV Roll No. : 13 Sec : A
School : The Youngster Dynamic English School, Angtha Kaina Road



Title : Goko Ultra Instict
By : Tensubam Prakit Singh
Class : IV Roll No. : 2 Sec : A
School : The Youngster Dynamic English School, Angtha Kaina




Title : Levi Ackerman
By : Aiden Phuritshabam
Class : II Roll No. : 1 Sec. :
School : Rama Krishna Mission Uripok




Title : 2 Bird
By : Khoisnam Ronita Devi
Class : V Roll No. : 26 Sec. : A
School : LFS



Title : Anya
By : Naoshekpam Jacinta Devi
Class : IV Roll No. : 5 Sec. :
School : KV No. 1 Lamphel




Title : Labubu Doll
By : Sapam Grace Chanu
Class: I Roll No. : 56 Sec. : C
School : Little Flower



Title : Wind Mill Scenery
By : Takhellambam Ranjita
Class : II Roll No. : 31 Sec. : Daffodil
School : Sl Arena of Learning



Title : Micky Mouse
By : Avindra Rajkumar
Class : III Roll No. : Sec. :
School : Brilliant Academy Thoubal Melaground



Title : Ice Cream
By : Chanda Thingbaijam
Class : I Roll No. : 5 Sec : Sunflower
School : SL Arena of Learning



Title : Micky Mouse
By : Laishram Taibanganba
Class : IV Roll No. : 35 Sec. : D
School : St. Joseph Hr. Sec. School



Title : Sanrio
By : Takhellambam Damini
Class : IV Roll No. : 32 Sec. : Daffodil
School : SL. Arena of Learning



Title : Mushroom House
By : Tisya Ningombam
Class : IV Roll No. : 25 Sec. : Daffodil
School : SL Arena of Learning




Title : Naruto
By : Lemba Khumukcham
Class : I Roll No. : 1 Sec. : A
School : Rising Sun English School



Title : Jaganath
By : Tourangbam Chingkheinganba
Class : II Roll No. : 4 Sec. : Yellow House
School : St. George High School



Title : Hundai Santro
By : Shaknaiba Ksh
Class : UKG Roll No. : 12 Sec. : A
School : Prince Unique Foundation



Title : Loktak Lake
By : Lucypriya Ningthoujam
Class : IV Roll No. : 39 Sec. : C
School : Little Flower School

অঙাংশিংগী অয়েকপা লাই হাপ্পীনিংবা মীওইশিংনা অঙাংগী মিং, পাসপোর্ট ফোটো, স্কুল মমিং, ক্লাস, সেক্সন অমদি রোল নম্বরনচিংবগা লোয়ননা অয়েকপা লাই অদু নীংথিনা ফোটো কাপ্লগা হুইয়েন লানপাওগী ৱাট্সএপ নম্বর ৯৭৭৪৮০৩১৪৫ দা থাবীরকপা য়াগনি।

Printed, published and owned by Soubam Niladhaja Singh, published from Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur & printed at M/s. Kangleipak Printers, Sega Road, Thouda Bhabok Leikai, Imphal West-795001, Manipur
Editor : Maibam Dhanabir Meetei; e-mail:hueiyen_lanpao@yahoo.co.in, hueiyen_lanpao@rediffmail.com